**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 05.06.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ০৫-০৬-২০২৪, য়ুমশকৈশা)**

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল আর.কে.গোরানিনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - রাজ্য অসিগী নৌনা কারক্লবা লোক সভাগী এম.পি অনিগা তান্নদুনা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎকনি।

২) কংগ্রেস লুচিংবা ওক্রম ইবোবিনা হায়- গনতন্ত্রা চৎপা লৈবাক্তা হিংশাগী মফম লৈতে, শেল অমদি নোংমৈনা মীয়ামবু নমথাবা ঙমদে হায়বসি হন্দক্কী মীখল অসিনা উৎলে।

৩) মনিপুরদসু ঙসি ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী থৌরম তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখ্রে ।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি- অকোয়বগী ফীভম ফাগৎহন্নবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নবগী তঙাই ফদবা লৈ।

**অমসুং**

৪) ১৭ শুবা লোক সভা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি দিজোল্ব তৌখ্রে।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**সি.এম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - রাজ্য অসিগী নৌনা কারল্লবা লোক সভাগী এম.পি অনিগা তান্নদুনা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎকনি। ৱাফম অসি মুখ্য মন্ত্রিনা সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা ফোংদোকখিবনি। শ্রীরি বিরেননা হায়-হন্দক্কী মীখল অদুদা মীয়ামা পীরকপা রাই অসি তরামা ওকই। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা রাজ্যগী বি.জে.পি সরকারনা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক কয়ামরুম পায়খৎখিগনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- বি.জে.পিনা লুচিংবা এন.দি.এনা চাউনা মায় পাল্লকপা অসিনা লৈবাক অসিবু খুমাং চাওশিনহনবদা অনৌবা ইনোৎ অমা হাপ্লগনি। অমরোমদা, হন্দক্কী মীখল অসিদা মায় পাল্লবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিবু মুখ্য মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে। হন্দক্কী মীখল অসিদা বি.জে.পিনা চাউনা মায় পাকপদা নুংঙাইবা পোকই।

**ইন্দিয়া(এল)ঃ** ১৮ শুবা লোক সভা মীখলদা মণিপুরগী ইন্নর অমসুং আউটর লোক সভা কেন্দ্রশিংদা মায় পাল্লকখ্রবা কংগ্রেসকী মীরেপশিং অঙোমচা বিমোল অকোইজম অমসুং অলফ্রেদ কাঙম আর্থরবু ইন্দিয়া ব্লোকনা ঙসি ওকখ্রে। ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা মখোয়বু ওকপগী থৌরম অদু পাঙথোকখি। মদুদা শরুক য়াখিবা কংগ্রেস লুচিংবা ওক্রম ইবোবিনা হায়- গনতন্ত্রা চৎপা লৈবাক্তা হিংশাগা মফম লৈতে, শেল অমদি নোংমৈনা মীয়ামবু নমথাবা ঙমদে হায়বসি হন্দক্কী মীখল অসিনা উৎলে।মায় পাল্লবা মীরেপ অনিনা রাজ্য অসিগী মীয়ামগীদমক থম্মোই শেংনা থবক তৌরক্কনি হায়বা থাজে ।তুংদা লাকপা মীখলশিংদসু শেল য়াওদনা রাজ্য অসিগী ওইবা অরুবা ৱাথোকশিং লোইশিন্নবা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা মীখল থেংনগনি হায়নসু শ্রী ইবোবিনা ফোংদোকখি। মহাকা হায়-

**--সাউন্দ ইবোবি--**

**জেনিমস(এল)ঃ** চিফ মেদিকেল ওফিসর ইম্ফাল ইষ্টকা খুৎশমদুনা রিলিফ কম্মীতি জেনিমস, জোইন্ত এক্সন কো ওর্দিনেসন কম্মীতি লাইরিকয়েংবম লৈকায়, ওর্গনাইজেসন ফোর সোসিও ইকোনোমিক দিপলমন্তনা শিন্দুনা ঙসি লাইরিয়েংবম মখা লৈকায়দা নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা হন্দক থোকখিবা ঈচাউনা শোকহনখ্রবা নাগারাম, লাইফম খুনৌ, লৈরিকয়েংবম লৈকায় অমদি লমলোং থোংখোং য়াওনা য়ুথ হোস্তেল রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিং লায়েংখি।

**এময়ু ঃ** মনিপুর য়ুনিভার্সিতিনা লৌবা বি.এ, বি.এ.সি,বিকোম, বি.এফ.টি ,বি.এস.দব্লিউ, বি.টি.টিগী সিক্স সেমীস্তরগী পারিক্ষা হয়েং অমদি হংচিৎ পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু য়ৈথোক্লে। মসি পারিক্ষা থাগদবা মফম খরা ঈশিং থুমজিন্দুন
া লৈবনা অনৌবা মতম অমা লেপত্রি ফাওবা য়ৈথোক্লে হায়না কন্ট্রোল্লর ওফ একজাম্মীনেসননা চেরোল অমদা খঙহল্লকখিবনি।

**রিলিফ** ঃইম্ফালগী বেঙ্গোলি হায়স্কুলগী ১৯৭১-৭২গী মেত্রিক বেটচনা লৈমারাম এস.সি গলর্স হোস্তেলদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা লৈবা ইনমেটশিংদা শেল য়াওনা মহৈরোইশিংগী মহৈতম্বদা চংগদবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে।

ভেতিরিনরি ঃ দাইরেক্তোরেট ওফ ভেতিরিনরি এন্দ এনিমেল হসবেন্দরি সার্ভিসেস মনিপুরগা খুৎশমদুনা মনিপুর পোনি সোসাইতিনা শগোলশিংগী ওইবা হেলথ চেক অপ কেম্প অমা ঙসি লম্ফেলপাৎতা লৈবা মনিপুর পোনি ব্রিদিং ফার্মদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা শগোলশিংদা করমা ফার্ষ্ট এইদ পীগনি মখোয়দা করম্বা হিদাক থাগনি হায়বনচিংবা পাউতাকশিং শগোল মপুশিংদা পীখি।

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি --**

**ডে (এল)ঃ** মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু ঙসি ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী থৌরম তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখ্রে। কুমশি চহিগী হীরমনা লেন্দ রেসটোরেসন, দিজার্তিফিকেসন অমসুং দ্রাউট রিজিলিয়েন্স হায়বসিনি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি- ঐখোয়গী অকোয়বগী ফীভম ফারিবমখৈ মীওইবনা হিংবদা নুংঙাইহনগদৌরিবনি। মরম অদুনা অশংবা তরু তনানবা অকোয়বগী ফীভম ওইহন্নবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নবগী তঙাই ফদবা লৈরে। ৱাফম অসি ৱাল্ড ইনভাইরোনমেন্ত দেগা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্ম বিরেননা সোসিয়েল মেদিয়া থাগৎলকপা ৱারোলদা ফোংদোরকপনি।

ৱাল্ড ইনভাইরোনমেন্ত দেগী মপুং ওইবা থৌরম রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জ বিভাগনা শিন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোমপাৎতা লৈবা বিভাগ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুং ওইবা ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতি হান্নগী ভাইস চান্সেল্লর, প্রোফেসার নোংমাইথেম রাজমুহোন্না হায়- অকোইবগী ফিভম ঙাক শেন্দুনা থম্বগী তঙাইফদবা অসি অঙাংশিংদা ইলিমেন্টরি স্কুলগী থাক্তগী হৌনা খঙহনগদবনি। সাইন্স অমসুং টেকোলোজি চাওখৎলকপগা লোয়ননা মহৌশাদগী ইপা ইপুশিংনা চৎনরম্বা লিক্লম ঙাকপা অমসুং নাৎ চৎনবীগা মরী লৈনবা পান্বী অমদি শা-উচেকশিংগী মরমদা অঙাংশিংদা তম্বীবগী তঙাইফদবা লৈরে। শ্রী রাজমুহোননা হায়-

**--সাউন্দ বাইট--রাজমুহোন**

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা দিরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী দিরেক্তর, ডাঃ টি. ব্রজকুমারনা হায়-য়ুনাইতেদ নেসন্সনকী রিপোর্ট মতুং ইন্না মালেমগী লমগী চাদা ৪৬ তি লৈকংলা ওনবগা পাঙ্খক ওইরে ।২০ শুবা চহি চা লোইরকপদা চাদা ৫০ দগীনা ৫৬ ফাওবা ওইরকপা য়াবগী নুংনাংবা লৈ হায়নসু পান্নরি । রাজ্য অসিদসু চীংগী লমশিংদা উ-ৱা পাক্তকনা কোকথোরকপা , মফম কয়াদনা পোপি পান্বী থাখিবা কয়া অসিনা শিজিন্নবা য়াদ্রবা লম ওইহল্লে। মনিপুরগী লৈরিবা লেন্দ য়ুস প্লান্নিং অসিনা ঐখোয়গী অহিং অশা , নোংজ্ নুংশাদা অকায়বা পীরক্লি হায়বসি হায়মনবা থোক্তে । মরম অসিনা তুংকোয়না চৎনবা য়াবা থৌরাং অমা পায়খৎনবা হোৎনরিঙৈ মরক্তা হোংলক্লিবা অহিং অশা অসি করমা ময়োকগদগে হায়বসি খন্নবগী তঙাই ফদে। মহাকা হায়-

ঐখোয়গী অকোইবগী ফিভম ঙাক শেন্দুনা অমদি কায়হন্দনা থমবগীদমক থিজিন হুমজিনবা, পোলিসি শেম্বা অমদি মদুবু মপুং খানা চৎনহনবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিনা হান্না লৈজরম্বা মহৌশাগী ফিভম কাইদনা থম্বদা অমদি শক্তম কায়খ্রবা অকোইবগী ফিভমশিংসু মহৌশাগী শক্তমদা হঞ্জিনহনবদা চাউনা মতেং ওইগনি।

**--সাউন্দ বাইট--ব্রজকুমার**

থৌরমগী মনুং চন্না রোল ওফ কলেজ ইন গ্রিন ইজ্কেসন প্রোগ্রাম এন্দ ক্লাইমেত এক্সন ইন মণিপুর হায়বা হিরমদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী থৌরম অসি রাজ্য অসিগী জিলাশিংদসু পাঙথোকখি। রেঞ্জ ফেরেস্ত ওফিস ককচিংগী মীৎয়েং মখাদা ৱবাইগাই কেন্দ্রগী এম.এল.এ ডা: উসম দেবেন য়াওনা মফম অদুগী জিলা-পারিষদ অমদি কৈরক গ্রামপঞ্চায়তকা পুন্না খুৎশমদুনা ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী থৌরম পাঙথোকখি, উ-চারা কয়াসু থাখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিস্ত্রেসন জিরিবামা শিন্দুনা জিলা অসিগী পি.ঐচ.ই.দি কেম্পসতা জিলা দিপ্যুতি কম্মীস্নরনা লুচিংদুনা উ-চারা থাখি।

চান্দেল জিলাগী ফোরেষ্ট দিভিজন অমদি চান্দেল নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন (সি.এন.পি.ও)না পুন্না খুৎশমদুনা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী থৌরম ঙসি জিলা অসিগী মহা য়ুনিয়ন গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। পালন থৌরম অদুগী মনুং চন্না স্কুল অদুগী অকোইবদা উ চারাশিং থাখি। থৌরম অদুদা সি.এন.পি.ওগী প্রসিদেন্ট অমদি ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্র (কে.ভি.কে) চান্দেলনা শিন্দুনা নুমিৎ অসি পালন তৌখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা হৈ ওইনা চাবা য়াবা পাম্বী ৫০০ হেন্না থাখি। উখ্রুল জিলাদসু নুমিৎ অসি পালন তৌখি। অহিং অশা হোংলকপদা মায়োকনবা নুপীশিংনা লৌগদবা থৌদাং ” হায়বসিদা তাঙ্খুল নুপীশিংনা থৌরম অদু শিন্দুনা টি.এন.এল কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবনি।

চুরাচান্দপুর জিলাদসু তোঙান তোঙানবা ক্লব , মহৈরোইশিং, এ.জি.ও অমদি চর্চশিং খুৎশমদুনা উ-চারাশিং থাখি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মোইরাংখুনৌদা লৈবা ওইনাম খাগেম্বা কৌবা মীওই অমনা হৈ ওইনা চাবা য়াবা উ-চারা ৫০০ ক্লব ১১ দা মরীরক শুবা ওইনা য়েন্থোকখি। বিষ্ণুপুর ফোরেস্ত দিভিজননসু শীন্দুনা নুমিৎ অসি জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পালন তৌখি ।

কন্নেক্তিং ফো পিছ এন্দ সোসিয়েল হারমোনি ককচিংনা লাঞ্জেন্নরিবা মীয়ামদা খুৎশমদুনা ইন্দোর ষ্টেদিয়ম ককচিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পকী অকোয়বদা উ-চারাশিং থাদুনা নুমিৎ অসি পালন তৌখি। ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইতি ককচিং ব্রাঞ্চনসু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী নৌনা খল্লবা জনিয়র রেদ ক্রোস অমসুং য়ুথ রেদ ক্রোস মেম্বরশিং য়াওনা ৱাবগাই য়াংবি হায়স্কুল কমপ্লেক্সতা উ-চারা কয়া থাখি।

এদমিনিস্ত্রেতিব হিয়াংলম এ.সি অমদি লময়ানবা ইন্তরপ্রাইজ অনিনা খুৎশমদুনা কেন্দ্র অসিগী তোঙান তোঙানবা গ্রাম পঞ্চায়ট ৬ তা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী থৌরম পাঙথোকখি।

তামেংলোং জিলাদসু রেঞ্জ ফোরেস্ত ক্লব তমেংলোং, তমেংলোং ফোরেস্ত দিভিজননা ইনভাইরোনমেন্ত এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ বিভাগকা খুৎশমদুনা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী থৌরম পাঙথোকখি। বি.এম.সি দাইলোং অমসুং খুল অমদি ৱার্দশিংগী তেংবাংগা লোয়ননা মফম কয়াদ উ-চারা থাখি।

লিয়াংমাই নাগা কাতিমাই রোংদি মনিপুরনা তামৈগী তোঙান তোঙানবা সি.এস.ওশিংগা খুৎশমদুনা নুমিৎ অসি পালন তৌখি।

মনিপুর ষ্টুদেন্স ফেদরেসন (এম.এস.এফ) হেদ ওফিসকী মীৎয়েং মখাদা এম.এস.এফ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কন্মীতিনা শিন্দুনা ঙসি নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা জিলা অসিদা শংহল্লসি মনিপুর হায়বা হিরম অসিদা মফম কয়াদা উ-চারাশিং থাখি।

নেসনেল প্রোগ্রাম ওন ক্লাইমেট চেঞ্জ এন্দ হ্যুমেন হেলথ, নেসানল হেলথ মীসন মনিপুরনা শিন্দুনা টি.জি হায়রসেকন্দরি স্কুলদা নুমিৎ অসি পালন তৌখি। কংলৈপাক ষ্টুন্দে এসোসিয়সন (কে.এস.এ)না শিন্দুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা উ-চারা থাখ্রে। ফেদরেল ষ্টুদেন্স ওর্গনাইজেসন কংলৈপাক (ফেসোক)না ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী হিরম অসিদা য়ুন্ফম ওইবা রাজ্য থাক্কী লাইয়েকপা চাংদমবা পাঙথোকখ্রে । হেপ্পী ইঙ্খোল, রিসরজেন্ত মনিপুর অমদি হারমোনি মনিপুরনা দিরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ত এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকা খুৎশমদুনা নুমিৎ অনি পালন তৌখি। ৱাইতোন গ্রাম পাঞ্চয়টনা তোঙান তোঙানবা বি.এল.এফগা খুৎশমদুনা মফম কয়াদা উ-চারা থাখি।

আই.জি.এ.আর(সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলসকী মন্ত্রি পুখ্রি বত্তালিয়না রেনবো ফাউন্দেসনগা খুৎশমদুনা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা উ-চারা কয়া থাখি। মহুদ অমসুং আর.দি.এন্দ পি.আর মন্ত্রি য়ুমনাম খেমচান্দ য়াওনা উ-থাবগী থৌরম অদু পাঙথোকখি।

সাহিত্য থৌপাং লুপ সাথৌ লুপনসু তেন্থা খোংবাল ৱেলফ্যার এসোসিয়েসনগা খুৎশমদুনা হিংজনিংই ঐখোয়সু হায়বা পান্দমদা তেন্থাগী মফম কয়াদা উ-চারাশিং থাখ্রে।

ককচিং জিলাগী মনুং চন্না য়াইথিবী লৌকোলদা লৈবা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফকী কেম্পতসু ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ত দেগী থৌরম পাঙথোকখি।

**মতেং ঃ** হৌখিবা মে ৫ দা চুখিবা লেন য়াওবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎতা অমাং অতা থোকখ্রবা ইমুংশিংদা এম.কে গ্রুপ ওফ প্রাইভেট লিমিতেদ কম্পানিসকী চিয়রমেন অমদি ফাউন্দর কৌরৌহনবা ৱাহখোমনা য়ুম কুপবা জিঙ্খ্র য়াওনা চানা থকবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে। থৌরম অদুদা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী নিউজ ইদিতর থোকচোম জোগেন্দ্রজিৎ অমদি জেম পব্লিক স্কুলগী প্রিন্সিপাল ৱাহেংবম জনমেনজয়সু শরুক য়াখি।

**-অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**দিজোল্ভ ঃ** ১৭ শুবা লোক সভা, কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলগী মীফমনা অয়াবা পীরবা মতুংদা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি দিজোল্ভ তৌখ্রে। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলদা মায় পাক্লবা লোক সভা সদস্যশিংগী মিং পীখৎলক্লবা মতুংদা রাস্ত্রপতিনা মশিং য়াম্বা দলদা সরকার শেমবা বার্ত্তন তৌরবা য়াই।

**সরকার ঃ** ঙরাং ১৮ শুবা লোস সভা মীখলগী ফল লাউথোকখ্রবা মতুং ঙসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ফম থাদোকপগী চেরোল রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুদা পীশিনখি। রাষ্ট্রপতিনা প্রধান মন্ত্রিগী ফম থাদোকপগী চেরোল অদু অয়াবা পীখি। অদুমওইনমক, অনৌবা সরকার অমা শেমদ্রিবা ফাওবা মখা তানা ফম পুননবা শ্রী মোদিদা খঙহনখি।

মীখলগী ফল লাউথোক্লবা মতুংদা তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংনা অনৌবা সরকার শেমবা থবক থৌরম কনখৎলক্লি। হন্দক্কী মীখল অসিদা এন.দি.এ সিট ২৯২ অদুগা ইন্দিয়া ব্লোকনা সিট ২৩৩ ফংখিবনি।

সরকার পায়রিবা নেসনেল দেমোক্রেতিক এল্লায়েন্স (এন.দি.এ)না অনৌবা সরকার শেমবা মীফম পাঙথোক্লি। মীফম অদুনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিবু অহুম্লক শুবা প্রধান মন্ত্রি ওইননবা ৱাফম খন্নরবা য়াই হায়রি।

মীফম অসিদা জনতা দল য়ুনাইতেদগী প্রসিদেন্ট অমসুং বিহারগী মুখ্য মন্ত্রি নিতিস কুমার শরুক য়ারি। শিব সেনা লুচিংবা অমসুং মহারাষ্ট্রগী মুখ্য মন্ত্রি একনাথ সিন্দে অমসুং তেলেগু দেসম পার্তিগী মকোক এম. চন্দ্রবাবু নাইদুসু এন.দি.এগী মীফম অদুদা শরুক য়ারি।

অমরোমদা, ইন্দিয়া ব্লোকনকীসু ঙসি নুমিদাংৱাইরমদগী হৌদুনা নিউ দিল্লিদা মীফম পাঙথোক্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা দলগী প্রসিদেন্ট মালিক আর্জন খরগেনা হায়- চুংশিন্নরিবা মপাংশিংনা মীখলগী ফল অদুগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নগনি।

আর.জে.দি লুচিংবা তেজাস্বি যাদব অমদি সমাজৱাদি পার্তিকী মকোক অখিলেস যাদবসু ইন্দিয়া ব্লোক্কী মীতিংদা শরুক য়ারি।

**প্রোদুসর** (এল)ঃ তাওসুৱাম ওর্গনিক ফর্ম্মর প্রোদুসর কম্পানিগী স্মোল প্রোসেশিং য়ুনিট সোল্লর দ্রাইয়িং য়ুনিট য়াওনা তোঙান তোঙানবা য়ুনিটশিং ঙসি শঙ্গাখ্রে। থৌরম অদু নোনে জিলাগী অৱাং খুল পার্ট -টু ভিলেজতা লৈবা লুৱাংচুমদা পাঙথোকখিবনি।

**রিলিফঃ** জেনিমসকী ব্লদ সেন্তরগা খুৎশমদুনা ঈ-পাউ তেংবাং লুপ, রিগুল্লর ভলন্তরি ব্লদ দোন্নর হ্যুমেনিতি ফোর সোসাইতিনা ঙসি জেনিমস ব্লদ সেন্তরদা নোংমগী ওইবা এব্রার্নেস কম ভলন্তরি ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে। অথৌবশিংগী মফমদা কখোল্লবা ঈ-হায়বা হিরমদা পাঙথোকপা ই-দান তৌবগী কেম্প অসিদা পুন্না মীওই ২০ ঈ-দান তৌখি।

## --অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - রাজ্য অসিগী নৌনা কারক্লবা লোক সভাগী এম.পি অনিগা তান্নদুনা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎকনি।

২) কংগ্রেস লুচিংবা ওক্রম ইবোবিনা হায়- গনতন্ত্রা চৎপা লৈবাক্তা হিংশাগী মফম লৈতে, শেল অমদি নোংমৈনা মীয়ামবু নমথাবা ঙমদে হায়বসি হন্দক্কী মীখল অসিনা উৎলে।

৩) মনিপুরদসু ঙসি ৱাৰ্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী থৌরম তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখ্রে ।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি- অকোয়বগী ফীভম ফাগৎহন্নবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নবগী তঙাই ফদবা লৈ।

## অমসুং

৪) ১৭ শুবা লোক সভা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি দিজোল্প তৌখ্রে।

## --- পাউ লোইজরে---